**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 03-06-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- নাগা নালাগী মথক্তা লান্না শেমগৎ শাগৎলিবশিং মশানা খঙনা শিদোকপীয়ু, ঈশিং ঈচাউ হন্থরবা মতুংদা তকথোক্লগনি।

২) ইন্নর মণিপুর লোক সভা মীখলগী ভোৎ মশিং থীবা য়েংশিন্নবা কাউন্টিং ওবজার্ভরশিং ইম্ফালদা থুংলরে।

অমসুং

৩) এক্সাইজ দ্যুতি স্কামগা মরী লৈননা ফাখিবা দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি অরবিন্দ কেজ্রিৱাল কোর্টনা থা অসিগী ৫ ফাওবা জ্‌দিসিয়েল কষ্টদিদা থাজিনখ্রে।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- নাগা নালাগী মথক্তা লান্না শেমগৎ শাগৎলিবশিং মশানা খঙনা শিদোকপীয়ু। ঈশিং ঈচাউ হন্থরবা মতুংদা লোইনমক তকথোক্লগনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা ঙরাং ঈশিং ঈচাউগী অৱাবা মায়োকনরবা ইম্ফালগী নাগারাম, নমদুলোংনচিংবা মফমশিংদা কোইনা চত্তুনা য়েংশিনবগী খোঙচৎ অমদা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- নাগা নালাগী ঈশিং ঈচেল নিংথিনা চেলহন্নবা ফুনজিনদুনা লৈরম্বা ফত্ত হাউদিশিং

মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী টিমশিংনা শেংদোকপা হৌরে। বিভাগ অসিনা শেংদোক খোত্তোকপগী থবক অসি চংশিল্লকপদা নাগা নালাগী মথক্তা লান্না শেম শাগৎলম্বা কয়া থেংনরে। হায়রিবা শেমগৎ শাগৎলিবশিং অসি থুগাইদুনা ঈশিংগী ঈচেল নিংথিনা চেলহনবা ঙমলে। মসিনা নাগা রাম, লাইরিকয়েংবম লৈকাইনচিংবা মফম কয়া ঈশিং থুল্লিবসি হন্থহনবা ঙম্লগনি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ঙসি চেকশিনহৌদবা হায়বসিনা হয়েং অৱাবা মায়োকগনি। ইং ২০০৯ দা নাগা নালা অসিগী মথক্তা স্লেপ হৈজিনদুনা তুরেল অসিগী হান্না লৈজরম্বা পাক চাউবগী চাংদগী পীকশিন্না আর.সি.সি চনখি। মতমদুদা স্লেপ হৈবদা য়ুংখিবা ৱা, য়োৎ ফাওবা অমত্তা লৌথোক্লমদ্রে। চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা থম্মোয় শেংনা শুবগী হৈনবী থমশি। ওফিসিয়েলশিংনা অঙম অথৌশিংগী প্রেসরদা চৎপগী মহুৎতা মশাগী তৌফম থোকপশিং অদু মীয়ামগী তুংগীদমক য়েংলগা নিংথিনা তৌবীয়ু হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

শ্রী বিরেন্না নমদুলোং বেপটিষ্ট চর্চতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরবা মীয়ামগসু উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শান্নখি।

ওবজার্ভর (এল) ঃ ইন্নর মণিপুর লোক সভা মীখলগী ভোৎ হয়েং থীগদৌরিবা অসি য়েংশিন্নবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা হাপখিবা কাউর্ন্টিং ওবজার্ভর ৫ ঙরাং ইম্ফালদা থুংলরে। হায়রিবা ওবজার্ভরশিং অসি ইম্ফালগী নোর্থ এ.ও.সিদা লৈবা হোটেল ক্লাসিক, জি.পি. ৱিমেন কলেজগী মায়োকবদা লৈবা হোটেল ইমোলেসতা লৈরি। মীয়ামা মরুওইনা রাজনীতি দলশিংগী মীহুৎশিং, মীরেপশিং নত্রগা মখোয়গী এজেন্টশিংনা মীখলগা মরী লৈননা হায়রিবা কাউন্তিং ওফিসারশিং অসিগা উন্নব য়াগনি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার টি.ঐচ. কিরনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা, ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী শোইবম বিনোইনা হায়- জিলা অসিদা কাউন্তিং ওবজার্ভর ওইনা মথৌ তৌগদবা ওফিসিয়েল মরি লাক্কুনা ভোৎ

মশিং থিনবা শেম শারিবশিং অদু ঙরাং য়েংশিনখ্রে। মখোয়না ষ্ট্রোং রুমসু য়েংশিনখি হায়রি।

কাউন্তিং ঃ ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ভোৎ মশিং হয়েং থীরগনি।

মণিপুরদসু ইন্নর অমসুং আউটর অনিমক্কী ভোৎ মশিং অয়ুক পুং ৮ দগী হৌনা থিননবা মরী লৈনবশিংনা মপুং ফানা শেম শারে।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, চান্দেল, উখ্রুল, সেনাপতি, কাংপোকপী, তমেংলোং, চুরাচান্দপুর অমসুং জিরিবামগী পুন্না দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরস ১১ দা কাউন্টিং সেন্টর ২৪ হাংদোক্তুনা ভোট মশিং থিগনি। ভোট মশিং থিগদৌরিবা মফম পুমমক্তা সি.সি.টি কেমেরা থমগনি। ভোট মশিং থিবা লোইবা রাউন্দ খুদিংগী মীয়ামনা এনকোর এপ্লিকেসন ভোটর টর্ন আউট মোবাইল এপ্লিকেসন অদুগা রিজল্টস দোট ই.সি.আহ. দোট গোভ দোট ইন-দসু য়েংবা য়াগনি হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা অয়ুক পুং ৬ মখায় চপ চানা ষ্ট্রোং রুম হাংদোক্কনি। পোষ্টেল বেল্লোটশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দি.সি কমপ্লেক্স খক্তা মশিং থিগনি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা পুন্না কাউন্টিং হোল ৯ লৈগনি।

ইম্ফাল হষ্ট জিলাগী ওইনসু ভোৎ মশিং থিনবগীদমক শেম শাবা পুমমক লোইরে। অয়ুক পুং ৮ দগী হৌদুনা কাউন্তিং হোল ৬ তা থীগনি।

ৱেদর (এল) ঃ অঙ্গৈং অশাগী পাউদা মণিপুরদা ঙরাং নোনে জিলানা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৭.৪৬ ওইদুনা খ্বাইদগী শাবা জিলা ওইখি। চুরাচান্দপুর জিলাদা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৩.৮২, অদুগা ককচিং জিলাদা সেলিসিয়স দিগ্রি ৩২.৮২ গী চাংদা শাখি হায়না রাজ্যগী দিরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট ক্লাইমেত চেঞ্জনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোংদোরক্লি। চেরোল অদুনা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা সেলসিয়স দিগ্রি ৩২.৩৯ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদনা সেলসিয়স দিগ্রি ৩১.৮৩ য়ৌনা শাখি।

ছুতি (এল) ঃ ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা রাজ্য অসিগী মহৈলোইশঙশিং ছুতি থাবগী মতম থা অসিগী ৪ ফাওবা শাংদোকখ্রে।

হায়র এন্দ টেকিকেল ইজ্‌কেসন বিভাগনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-রাজ্য অসিগী সরকারগী অমসুং লন্নাইগী হায়র এন্দ টেকিকেল মহৈ লোইশঙশিং থা অসিগী ৪ ফাওবা ছুতি ওইরগনি।

অমরোমদা, রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ঈচাউগী ফিভম অসিগী য়েংলগা সরকার অমসুং লন্নাইগী স্কুলশিং থা অসিগী ৪ ফাওবা ছুতি ওইরগনি হায়না ইজ্‌কেসন (এস)কী দাইরেক্তর লাইশম নন্দকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ঈচাউনা য়ুম অমদি লম্বীশিং মফম খরদা হৌজিক ফাওবা ঈশিং থুমজিনদুনা লৈবনা চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরিবা অসিগী য়েংলগা ছুতি শাংদোকপনি হায়রি।

এআর ঃ অসাম রাইফলসনা মন্ত্রিপুখ্রি মনাক্তা লৈবা মাদর তেরাসা হোমদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা অৰাবা মায়োক রবা মীওইশিংগী ওইবা মেদিকেল কেম্প অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে হায়রি। কেম্প অদুদা নুপী অমসুং অঙাং য়াওনা মীওই ৮২৮ গী হেলথ চেক্যঅপ তৌখি অমসুং দরকার লৈবা হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, নাগা নালাগী ফুনজিল্লিবা ফত্ত হাউদিশিং শেংদোকপদা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেলশিংনা রাজ্য সরকারদা মতেং পাংখ্রে হায়না অসাম রাইফলসকী পি.আর.ওনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোংদোরক্লি।

সিপিআই (এল) ঃ কম্যুনিষ্ট পার্তি ওফ ইন্দিয়া, সেকমাই লোকেল কাউন্সিল অমসুং লম্লাই লোকেল কাউন্সিলশিংগী ওইবা চহিগী কনফরেন্সশিং ঙরাং পাঙথোক্লুনা রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসি খুদক্তা লোইশিন্নবা মণিপুর সরকারনা রোড মেপ অমা শেমবা দাবী তৌখ্রে।

কেজ্রিৱাল ঃ  এক্সাইজ দ্যুতি স্কামগা মরী লৈননা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তোরেটনা ফাখিবা দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি অরবিন্দ কেজ্রিৱাল কোর্টনা থা অসিগী ৫ ফাওবা জ্‌দিসিয়েল কষ্টদিদা থাজিনখ্রে।

ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তোরেটনা শ্রী কেজ্রিৱালবু জ্‌দিসিয়েল কষ্টদিদা থমবা হায়জরকখিবা দরখাষ্ট অমা কোর্টনা তারবা মতুংদা মতুংদা মহাকপু থা অসিগী ৫ ফাওবা জেলদা থাজিনখিবনি।

পনবা য়াবদি, মুখ্য মন্ত্রি কেজ্রিৱাল ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তোরেটনা দিল্লি এক্সাইজ দ্যুতি স্কামগা মরী লৈননা চহি অসিগী মার্চ ২১ দা ফাখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চুরাচান্দপুরদা মীতৈশিংনা খুন্দারম্বা খুমুজাম্বা লৈকাই কৈথেল ওন্থোকবা হোৎনরুবা মীওই ২৪ ফারে, ঈচাউনা মণিপুরগী হিদাক লাংথক্কী ষ্টোক চাদা ৯০ দগী ৯৫ ফাওবা মাংহনখ্রে অমসুং নাগা তুরেলগী নিয়ম কায়না শাজিল্লিবা ষ্ট্রকচরশিং মশানা খঙনা লৌথোকপীয়ু হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফমনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

মণিপুর নিউজদা- চুরাচান্দপুর খুমুজাম্বা মীতৈ লৈকাই পাইতে বজার ওন্থোকবা থৌরাং পুলিসনা থুগাইখ্রে, চেন্না মীওই ২৪ দিটেন তৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউ সনালৈবাক, ঈচেল এক্সপ্রেস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, হুইয়েন লানপাউনচিংবা পাউচেশিংদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- খুমুজাম্বা মীতৈ লৈকাই কৈথেল ওন্থোক্কে তৌরম্লে, মোরেদা তৌখিবগুমা পুলিসনা থিংজিল্লগা মখা তারক্তনবা শংদুনা লৈখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সনালৈবাক্তা- ঈচাউনা মণিপুরগী হিদাক লাংথক্কী ষ্টোক চাদা ৯০ দগী ৯৫ ফাওবা মাংহনখ্রে, মনি কুঞ্জগী লাখ ৫০ হেনবগী ফিরোল ঈচাউনা মাং

তাকহনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নাগা তুরেলগী মথক্তা নিয়ম কায়না শাজিল্লিবা ষ্ট্রকচরশিং মশানা খঙনা লৌথোকপীয়ু, ঈচাউ মতুংদা লোইনা তকথোক্লগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম মণিপুর নিউজদা অনিসুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- নোংলৈ নুংশিৎ রেমালনা শোকহল্লবা রাজ্যশিংগী ফিভম রিভিউ তৌখ্রে, সেন্তরনা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়না প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। বি.জে.পিসু কংগ্রেসসু সেন্তরদা শোইদনা লৈঙাক পায়রগনি পানরি হায়বা পাউসিগা লোয়ননা একজিৎ পোলশিং অশেংবা নত্তে, মোদি মিদিয়া পোলনি হায়না কংগ্রেসকী লুচিংবা জয়রাম রামেশনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী কাংবুনা লুপা লাখ ৬১ রোমগী ড্রগ ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পোকফমদা- ইম্ফাল মনুংগী অচৌবা দুকানশিংদা লুপা লাখ কয়াগী পোৎলমশিং অমাং অতা থোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। য়াল্লবা হিদাক মাংখ্রবসু হিদাক ৱাৎপগী অৱাবা লৈহল্লোই হায়না মণিপুর কেমিষ্ট এন্দ ড্রগিষ্ট এসোসিয়েসন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু পাডচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

কুকি নেসনেল ওর্গনাইজেসন্না সু তৌনরিবা লালহৌলুপশিং মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়দনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অমা পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- চুরাচান্দপুরদগী পুরকপা ড্রগশিং অসামদা ফারে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা- অরবিন্দ কেজ্রিৱাল তিহার জেলদা সরেন্দর তৌখ্রে হায়বা পাউসিগা লোয়ননা ঐহাক করম্বা মতমদা জেলদগী থোরক্কনি খঙদ্রি, লৈবাক্কী ফগনি হায়রবদি ফাঁসি তৌরগা হাৎলবসু য়ারে হায়না দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- সেনাপতিগী ঈশিং ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিং মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাইনা য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরতা প্লাষ্টিক বোট্টল বেঙ্ক হৌদোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------